# মলতি লেংগ্বেল পোইতস মীত পাঙথোকখ্রে

পোক্লফম নিউজ সার্বিস

**ইম্ফাল, জনুৱারী ২৭ঃ** মণিপুরী লিতরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম ত্রিপুরানা সাহিত্য একাদেমি নিউ দিল্লীগী মতেঙগা লোয়ননা মলতি লেংগ্বেল পোইতস মীত অমা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা অগরতলাগী নজরুল কলাক্ষেত্র কমপ্লেক্সতা লৈবা সাহিত্য একাদেমিগী নোর্থ ইস্ত সেন্তর ফোর ওরেল লিতরেচরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বর খোইস্নাম ওংবী বিরোলানা থৌরম মপু ওইখিবা পোইতস মীত অদুদা ত্রিপুরাদা খুদামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী অইবশিংগী মরক্তগী শৈলেবম খেলামোহন (মণিপুরী), উত্তারা চাকমা (চাকমা), ক্রাইহরি মোগ চৌধুরি (মোগ), খোইবম সাইব্যা সিংহ (বেঙ্গালি) অমদি সুরঞ্জন কুন্দু চৌধুরি (কোকবোরোক)না শৈরেংশিং পাথোকখি।